গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা ম্যান্মারগী বুধিষ্ট গ্রুপ অমনা ওথোরিটিশিংগা মরী তৎনরগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে

নেপিটো, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

ম্যান্মারগী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা বুধিষ্ট লাইনিংবশিংগী এসোসিএসন অমনা মিলিটরি লৈঙাক্তা প্রোটেষ্টরশিংগী মায়োক্তা চথরিবা হাৎপা-তুপ্পগী থৌওংশিং লেপ্পবা তকশিনখিবগা লোয়ননা কূ তৌখিবদগী খূৎলায় পায়বা মাইনোরিটি অমনা মরাল লৈজদবা মীচমশিং ওৎ-নৈবা অমসুং হাৎপা-তুপ্পা চথরক্লি হায়খ্রে।

মিলিটরি প্রো-দিমোক্রেসি দেমোন্সট্রেসনশিং নমথনবা হোৎনবদা মীশি-মীনা থোকহনখিববু হকথেংননা কন্দেম তৌরদুনা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা ওর্গনাইজেসন অদুনা দ্রাফ্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা মিলিটরি ওথোরিটিশিংগী থৌওংদা য়ানীংদবা উৎলদুনা মেম্বরশিংনা থবক লেপ্পা পাল্লে হায়না পনখি।

ষ্টেট সঙ্ঘা মহা নয়াকা কন্মিটিনা শগোলশেন নুমিত্তা রিলীজস এষফ্যর্স মিনিষ্টরগা তান্নরগা ফাইনেল ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না ম্যান্মার নাও ন্যুজ পোর্টেলনা কন্মিটি অদুগী মীটিং য়াওখিবা লাইনিংবা অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

মতম শাংনা ম্যান্মারগী বুধিষ্ট লাইনিংবশিং লৈবাক অসিগী থৌদোক ৱাথোকশিংদা চেন্নদুনা লাক্লি। কুমজা ২০০৭তা মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়োক্তা উখিবা সেফ্রোন রেভোল্যুসনদসু বুধিষ্ট লাইনিংবশিংনা মাঙজিল থানা শরুক য়াখি। লাইনিংবশিংনা মাঙজিল থাখিবা ঈহৌ অদু মিলিটরি লৈঙাক্লা ফোর্স শীজিন্নদুনা নমথখিবা ওইরবসু মদুনা লৈবাক অদুদা দেমোক্রেটিক রিফোর্মশিং পুরকপদা মতেং পাংখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা খূদক্তা কন্মিটিগী মেম্বরশিংগী কন্মেন্ট লৌবা ঙমখিদ্রবসু মখোয়গী পিরেপ অদুনা ওথোরিটিশিং অমসুং গভর্ণমেন্টকা নকশিন্ননা থবক তৌরিবা গ্রুপ অদুগী মরক্তা চাওনা য়ানরক্তবগী মওং অমা লাক্লে হায়বা উৎলি।

মিলিটরিনা ফেব্রুৱারী ১দা ওং সান সু চিগী ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্ট চিংথুবগা লোয়ননা সু চি অমসুং মহাক্কী পার্টিগী মেম্বরশিংবু ফাজিনখিবদগী ম্যান্মারদা অচৌবা ক্রাইসিস অমা থোক্তুনা লাক্লি। মিলিটরিগী খোঙথাং অদুবু মালেম্মা কন্দেম তৌনখি।

অয়াম্বনা সু চি পার্টিগী ওইবা মফম তাহনখ্রবা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা কাঙলুপ কয়ানা খুন্দারিবা লৈবাক অদুদা কূগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্ননবা হোৎনখি। পান্দম অসি ফংনবগীদমক্তা ইলেক্টেদ মেম্বরশিংনা দিমোক্রেসিগী পান্দম লৈবা ওটোনোমি তাল্লিবা লালহৌবা খূদিংমক্তগী টেররিষ্টকী মিংদগী লৌথোক্লগনি হায়খি।

এক্টিভিষ্ট গ্রুপ এসিষ্টেন্স এসোসিএসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজনর্সকী মতুং ইন্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দেমোন্সট্রেসনশিং নমথনবা হোৎনবদা প্রোটেষ্টর ১৮০গী মথক্তা হাৎখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রোটেষ্টরশিংনা য়াঙ্গোনগী লম্বী অমদা লৈঙোই বোরাশিংনা শেম্বা বেরিকেদ অমগী মনাক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মুক্লখি। সোসল মিদিয়াদা থাগৎপা ফুটেজগী মতুং ইন্না, পুলিসনা মরক মরক্তা নোংমৈ কাপখি অমসুং মীওই অমা মকোক্তা পাল্লগা হাইথখিবা উখি।

বাংলাদেশতা হোস্পিটাল মৈ চাকপদা কোভিদ পেসেএন্ট অহুম শিরে

ধাকা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

বাংলাদেশকী কেপিটেল ধাকাদা লৈবা ধাকা মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল (দি এম সী ঐচ) য়ুমশকৈশগী অয়ূক্তা মৈ চাকখিবদা হোস্পিটাল অদুদা লায়েংলিবা কোভিদ-১৯ পেসিএন্ট অহুম শিখ্রে হায়না দি এম সী ঐচকী দিরেক্টর নাজমুল হকনা ফোঙদোকখ্রে।

দি এম সী ঐচকী দিরেক্টর হকনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা, ভিক্টিমশিং অদু হোস্পিটাল অদুগী ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)দা লায়েংলিঙৈদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মৈ চাক্লকপদগী আই সী য়ু য়ুনিট-২দা লৈরিবা ১১গী মনুংদা লৈহৌরিবশিং অদু মফমদুদগী পুথোকখি। পেসিএন্টশিং অদু মতুং তাবদা বর্ন য়ুনিট অমসুং ওল্ড বিল্ডিং অদুগী আই সী য়ুদা হোংজিনখি। মৈ চাকপদু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পূং ৮লোম তাবদা হৌরকখিবনি। মদুনা বাংলাদেশকী খ্বাইদগী চাওবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল ওইরিবা দি এম সী ঐচকী আই সী য়ু য়ুনিট-২গী মনুংদা মৈখু থানা থোকহনখি।

আই সী য়ুদা লাইফ সপোর্টকা লোয়ননা লৈরিবা পেসিএন্ট অহুম ধাকা মেদিকেল হোস্পিটালগী সী সী য়ুদা পুশিন্নবা হোৎনরিঙৈদা শিখি। আই সী য়ুগী বেদ ১২গী নাকলদা লৈবা মেছিন অমদগী মৈদু হৌরকখিবনি হায়না থাজনখি। তৌইগুম্বসুং ফায়র ওফিসলশিংনা মৈ চাক্লকপদগী চপ চাবা মরম লেপ্পা ঙমদ্রি। ফায়র সর্ভিস এন্দ সিভিল দিফেন্স হেদক্বার্টরসকী দ্যুটি ওফিসর কুৱামরুল হসনগী মতুং ইন্না, ফায়র ফায়টরশিংগী য়ুনিট অহুম্না অয়ূক পূং ৮.৫৫রোম তাবদা মৈ অদু মুখুৎখি।

হকনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা ফায়র এক্সটিঙ্গুইসর শীজিন্নদুনা মৈহৌ-লাংপোক অদু লাকশিন্নবা তৌবদা মায় পাকখিদে।

আই সী য়ু ৱার্দ অদুদা পূন্না পেসিএন্ট ১৪ লৈবনি অমসুং বার্দ অদুদা লৈরিবা বেদ মশিংনা ১৭নি। মৈ চাকপগী চপ চাবা মরম খূদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে হায়না দিরেক্টরনা মখা তাখি। দি এম সী ঐচ পুলিস কেম্পগী ইন-চার্জ অমসুং পুলিস ইন্সপেক্ট বাছচু মিয়াগী মতুং ইন্না, পেসিএন্টশিং অদু আই সী য়ুদগী সী সী য়ুদা পুরিঙৈদা লৈখিদবনি।

মোজাম্বিক্কী মিলিটেন্টশিং চহী ১১গী অঙাং ফাওবা মঙক কক্লগা হাৎলি: সেভ দ চিলদ্রেন

জোহন্নেসবর্গ, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

মীওই লিশিং কয়া শিহনখ্রবা অমসুং অতৈ লিশিং কয়া ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখ্রবা মোজাম্বিক্কী ইস্লামিক লালহৌদা চহী ১১ শুবদা ঙাইরিবা নৌরিবা অঙাংশিং ফাওবা মঙক কক্তুনা হাৎলি হায়না য়ু কেদা বেজ তৌবা এইদ গ্রুপ সেভ দ চিলদ্রেননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সেভ দ চিলদ্রেননা হায়, রাইটস প্রোটেক্সন এন জি ও অসিনা লালহৌবগী ইরাংদা ময়ূম মকৈ থাদোক্লবা ইমুংশিংদা ৱারী শানখি। ইমুংশিং অদুনা পীক্লিবা মচাশিং ফাওবা হাৎপীখ্রবা মমাশিংগী ৱারী য়াওনা মী হাৎপদগী কিনিংঙাই ওইরবা সিন কয়া লীরকখি। পান্বে অমত্তা লৈত্রবা নুপী অমা লোত্তুনা লৈখি অমসুং মনাক্তা চহী ১২ শুবদা ঙাইরিবা য়াওনা মহাক্কী মচা অহুম নুংশি হৈতনা হাৎপা মহাক্লা উখি।

মখোয়না উরক ৱারক্তা চেনশিন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না মহাক্কী মচানুপা অহল অদু মখোয়দগী চিংথোকখি অমসুং মঙক কক্তুনা হাৎখি হায়না মশাগী চহী ২৮ শুরবা মমা অদুনা ফোঙদোকখি। মশাগী চহী ২৯ শুরবা অতোপ্পা মমা অমনসু খূৎলায় পায়বশিংনা চহী ১১শুবদা ঙাইরিবা মহাক্কী মচানুপা হাৎপীখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

এজেন্সীনা মোজাম্বিক পুলিস নৎত্রগা গভর্ণমেন্ট স্পোক্সপর্সনশিংগী কন্মেন্ট লৌবা ঙমখিদে। কুমজা ২০১৭তগী ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা ইস্লামিক লালহৌগী মফম ওইরকখিবা মোজাম্বিক্কী অৱাং ইথং থংবা কবো দেলগাদো প্রোভিন্স অসিদা হৌখিবা চহী অসি ঈরাং খংহেন হেনগৎলকখি।

মঙক কক্তুনা হাৎপা হায়বসি এটেক অয়াম্বদা থোক্তুনা লাকপগা লোয়ননা কুমজা ২০২০ অপূম্বদা মিলিটরি লাকহত্তুনা মরু ওসবা টাওনশিং পাইশিন্নবা হোৎনখি। হৌখিবা চহীগী এপ্রিলদা সিটাসি ভিলেজদা অয়ূক্তা মীওই ৫২রোম হাৎখিবা য়াওনা মীনুংশি য়াওদবা অমসুং তমথিবগী মতৌ হেনগৎলকখি।

পোলিটিকেল ভাইওলেন্স য়েংশিল্লিবা কন্সলটেন্সি গ্রুপ আর্ম কন্ফ্লিক্ট লোকেসন এন্দ ইভেন্ট দেটা প্রোজেক্ট (এ সী এল ঈ দি)গী মতুং ইন্না ভাইওলেন্স অদুদা মীওই ২,৭০০ রোম শিখ্রে। মীওই ৬৭০,০০০ লোম ময়ূম-মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়না সেভ দ চিলদ্রেননা হায়রি। ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা মোজাম্বিক্কী গ্রুপ অমা হৌখিবা চহীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোরেন টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন্নি হায়না লাউথোকখি। ইস্লামিক ষ্টেটনা কুমজা ২০১৯গী জুনদা কবো দেলগাদোদা অহানবা এটেক চথখি।

য়ু এন টিমনা ম্যান্মার মিলিটরি লীদরশিং ক্রাইমদা চেন্নবগী ইভিদেন্স খোল্লি

জিনেভা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

ম্যান্মারগী মিলিটরি লীদরশিংগী মায়োক্তনা কেস লৌখৎপা য়ানবগীদমক্তা ফেব্রুৱারী ১দা কূ চথখিবদগী মিলিটরিগী ওর্দরদা চথখিবা ক্রাইমশিংগী দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্স খোমজিল্লগা থম্নবা ম্যান্মারগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেটরশিংগী ওইবা য়ু এনগী টিম অমনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা আপীল তৌখ্রে।

সাওথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা মিলিটরিনা পাৱর পায়শিনখিবদগী মদুগী মায়োক্তা চথরকখিবা দেমোন্সট্রেসনশিং নমথনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা প্রোটেষ্টর ১৮০ হেন্না শিখ্রে।

খ্বাইদগী শাথিবা ইন্টরনেসনল ক্রাইমশিং থোকহল্লিবশিংদি মহৌশানা অৱাংবা থাক্কী ফম পায়রিবা লুচিংবশিংনি হায়না জিনেভাদা বেজ তৌবা য়ু এন টিম অদুগী মকোক নিকোলাস কুমজিয়ানা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মখোয় ক্রাইমশিং অদু মশা মশানা হকথেংননা চথবা মীওইশিং নত্তে। মখোয় ক্রাইম থোক্লিবা মফমশিংদা মশা লৈতবা ফাওবা য়াওই। মখোয় ক্রাইমদা চেন্নে হায়বসি প্রুভ তৌনবগীদমক্তা রিপোর্টশিং, পীখিবা ওর্দরশিং অমসুং মখোয়গী পোলিসিশিংগী ইভিদেন্স চঙই। অসিগুম্বা ইনফোর্মেসন লৈবা মীওইশিংনা সিগনেল নৎত্রগা প্রোটোনমেল একাওন্টকুম্বা এপশিংনচিংবা সিক্যুর ওইবা কম্যুনিকেসনগী খূৎথাংদা ইনভেষ্টিগেটরশিং কন্টেক্ট তৌগদবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মিলিটরি লৈঙাক্কী স্পোক্সমেন অমনা পাউখুম পীরকখিদে। প্রোটেষ্টশিংগী মায়োক্তা লাইভ এম্যুনিসন শীজিন্নবগী থৌওং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস ওফিসনা কন্দেম তৌখি।

কনামত্তনা কন্ট্রোল তৌদবা মখোয়গী মীনুংশি লৈতবগী মতৌ নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়না মশক মমিং ফোঙনিংদবা য়ু এনগী সিনিয়র ওফিসল অমনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

মিলিটরিনা ফেব্রুৱারী ১দা নোবেল পীছ লোরিয়েট ওং সান সু চিগী ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্ট মহাক অমসুং মহাক্কী পার্টিগী মেম্বরশিং ফাজিনখিবদগী ম্যান্মারদা শাথিবা পোলিটিকেল ৱাথোক অমা থোক্তুনা লাক্লি। য়ু এন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মী শিহনগদবা ফোর্স শীজিন্নখিবা, লোনা য়াদবা মওংদা ফা-পূনবা, ওৎ-নৈবা অমসুং কদাইদা থম্বগে হায়বা ইমুং মনুংদা খঙহন্দনা মী ফাবনচিংবগী ইভেদেন্স খোল্লিবনি। ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেটিভ মেকানিজম ফোর ম্যান্মার অসি খ্বাইদগী শাথিবা ক্রাইমশিংগী ইভিদেন্স চেৎশিলহন্নবগীদমক্তা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাওন্সিল কুমজা ২০১৮দা শেমখিবনি।

ফোরেন ফন্দিংগী মতাংদা পাকিষ্টানগী পোল বোদিনা পি টি আইদা নোটিস থাখ্রে

ইস্লামবাদ, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

পাকিষ্টান টেহরিক-ঈ-ইন্সাফ (পি টি আই)গী ফোরেন ফন্দিংগী স্ক্রুটিনি লোৎশিনবগী থৌওং মার্চ ২২দা নৎত্রগা মমাঙদা লাক্তুনা এক্সপ্লেন তৌনবা ইলেক্সন কন্মিসন ওফ পাকিষ্টান (ঈ সী পি)না পার্টি অসিগা লোয়ননা মসিগী স্ক্রুটিনি কন্মিটিদা নোটিসশিং থাখ্রে।

পি টি আইদগী দোক্যুমেন্টশিং লোন্না থম্নবা স্ক্রুটিনি কন্মিটিনা লৌখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা পিটিস্নর অকবর এস বাবরনা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি।

ৱারেপ অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বাবরগী কমপ্লেন্ট হীয়ারিং তৌখ্রবা মতুংদা খাইবর পাখতুনখ্বাদগী হৌরকখিবা ঈ সী পিগী মেম্বর থবক্তগী পোখারবা জষ্টিস ইর্সাদ কাইজরনা লুচিংবা মেম্বর অহুমগী বেঞ্চ অমনা লৌখিবনি। বাবরগী উকিল অহম্মদ হসন সাহনা স্ক্রুটিনি কন্মিটিগী ৱারেপ অদু শীংনখি অমসুং দোক্যুমেন্টশিং অদু য়েংশিনবা য়ানবা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট চৎনহনখি। পোলিটিকেল পার্টিজ ওর্দর ২০০২গী ৫ (৪) অমসুং ইলেক্সন এক্ট, ২০১৭কী সেক্সন ২০৩ (৫)গী মতুং ইন্না পি টি আইগী দোক্যুমেন্টশিং অদুবু য়েংশিনবা য়াবা হায়বসি পিটিস্নরগী রাইট অমনি হায়না উকিল সাহনা য়েৎখি।

দোক্যুমেন্ট অদুবু অরোনবা অমা ওইনা থমজিন্দুনা ঈ সী পি স্ক্রুটিনি কন্মিটিনা স্ক্রুটিনিগী টর্মস ওফ রিফরেন্স থুগায়রে। টর্মস ওফ রিফরেন্সকী মতুং ইন্না পার্টি অনিমক্কী মীওইশিংগী মমাঙদা স্ক্রুটিনি তৌখিবনি।

স্ক্রুটিনি প্রোসেস অসি নমথাক অমা ওইবগা লোয়ননা শেমজিন শাজিনবা দোক্যুমেন্টশিং অশেংবা ওইনা উহন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নবা য়াহনগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি। মহাক্কী মতুং ইন্না কন্মিটিগী সিক্রেসি ওর্দর অদু ইলিগেল ওই। পি টি আইনা প্রেসর পীরকপদগী স্ক্রুটিনি কন্মিটিনা উৎলু য়াখিদবা কন্মিটিগী ওর্দর সিটশিংদগী লৌথোকপদা ৱারেপ খরসু মহাক্লা পাথোকখি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ হৌখিবা চহী ১গী মতুংদা ইটালিদা অমুক হন্না লোকদাওন থমখ্রে

পাদোভা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দারকপদগী ইটালিগী অৱাং থংবা শরুক্তা অহানবা ওইনা লোকদাওন থমখিবা চহী অমগী মতুংদা হৌজিক লৈবাক অসিগী লমদম অয়াম্বদা নৌনা ইনফেক্সন হেনগৎলকপা লাকশিন্নবা অমুক হন্না অথিংবশিং থমখিবগা লোয়ননা নন-ইসেন্সিয়েল দুকানশিং থিংজিনখ্রে অমসুং মীয়ামগী চথোক-চৎশিন্দসু অথিংবা কয়া থমখ্রে।

লৈবাক অসিগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লমদম ১০ অমসুং ওটোনোমস প্রোভিন্স ট্রেন্টো রিস্ক ৱাংবা রেদ জোনশিংনি হায়না লাউথোকখি। ভাইরস লাকশিন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অদু ইষ্টর মতম এপ্রিল অঙনবা ফাওবা চৎনগনি।

ইটালিগী অৱাং থংবা ভেনেটো রিজন্দা লৈবাকপোকপা নুমিৎখক্তদা অনৌবা কেস ১,৯০১ কনফর্ম তৌখি। হোস্পিটলাইজ তৌখিবা নৎত্রগা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটশিংদা

লৈবা পেসিএন্টশিংগী মশিংসু হেনগৎখি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ফিভম ইনৌ নৌনা অমুক লুশিল্লকপদা নুংনাংবা পোল্লবা রিজনেল প্রসিদেন্ট লুকা জাইয়ানা রেগ্যুলর প্রেস ব্রীফিং অমদা হায়খি মদুদি, মীপাইনিংঙাই ওইবা মওংদা কেস ৱাংলক্লিবদু স্বাব টেষ্ট অমসুং হোস্পিটলাইজসন অনীমক্লা কনফর্ম তৌই। ফিভম অসিদা কোভিদ হোস্পিটালশিং অমুক হন্না এক্টিভেট তৌবা মথৌ তাগনি। য়ামদ্রবদা চয়োল অনীদি ঐখোয়না খুদোংচাদবা ফিভম অমা উরগনি। লমদম অদুগী লম্বীশিংদা লৈরিবা ফেসনগী দুকানশিং অমুক হন্না থিংখি অমসুং পেট্রোলিং তৌরিবা পুলিসনা লম্বীদা মী খাল্লগা ময়ূম ময়ূমদা হলহনখি।

মমাঙ চহীদা তৌখিবগুম্না খোঙনা চৎপা মীওইশিংনা মখোয়না মপান্দা থোক্লকপা অমসুং মফম অমদ চৎপগী মরম পীগদবনি। এন্টি-ভাইরস রুলশিং থুগায়বা মীওইশিং য়ামদ্রবদা য়ুরো ৪০০ (য়ু এস দোল্লর ৪৭৬) ফাইন তৌবা য়াই। কুমজা ২০২০গী মার্চতা তৌখিবা লোকদাওন অদুগা চাংদম্নবদা হন্দক্তি কোভিদ-১৯গী অথিংবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা তোঙানবা ৱাখল চেনবগুম তৌরি। মরু ওইনা মমাঙদা মীয়াম্না য়াম্না কিনখিবদু তৌরি। মরু ওইনা মমাঙদা মীয়াম্না য়াম্না কিনখিবগুম হৌজিক শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরে হায়বা য়াই।

পপুৱা ন্যু গিনিগীদমক্তা ভেক্সিন মিল্লিয়ন অমা থারক্লবা ঈ য়ুদা হায়রগনি

কনবেরা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

পপুৱা ন্যু গিনি (পি এন জি)বু খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা কোরোনা-ভাইরস লাইচৎ থেংনবদা মতেং পাংনবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমগী দোজ মিল্লিয়ন ১ থারক্লবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্দা হায়রগনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হায়খ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ানা ঈ য়ুদা হায়জরিবা ৱাফম অদুনা ভেক্সিন সপ্লায়দা মরী লৈনবা টেন্সন হেনগৎহল্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা হায়, য়ানখিবা মতুং ইন্না ভেক্সিনশিং অদু ওষ্ট্রেলিয়াদা পীরক্কদবনি। তৌইগুম্বসুং পেসিফিক ঈথৎ লৈবাক অদুদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন ৱাংলকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা ভেক্সিনশিং অদু য়াম্না মথৌ তাই। ঈথৎ লৈবাক অদুগী শরুক খরদি ওষ্ট্রেলিয়াগী লমদমদগী হিনাও অমা তোংলগা ঙাইহাক্কী মনুংদা য়ৌশিনবা য়াই। ঐখোয়না ভেক্সিনশিংদু লৌনবা কন্ট্রেক্ট তৌনখি। মখোয়গী শেলসু পীখ্রে। লমদম অসিদা খ্বাইদগী মরু ওইবা প্রোব্লেম থেংননবগীদমক্তা ঐখোয়গা খ্বাইদগী হেন্না নক্লবা য়ুমলোন্নবা লৈবাক পি এন জিবু মতেং পাংবদা ভেক্সিনশিংদু শীজিন্নবা পাম্মী হায়না মোরিসননা কনবেরাদা পাউমীশিংদা হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, ইমুং মনুং ওইবা য়ুমলোন্নবশিং অমসুং মরুপ-মপাংশিংবু মতেং পাংবা হায়বসি ওষ্ট্রেলিয়াগী অপাম্বনি। মসি ঐখোয়গী লমদম অসিগীসু অপাম্বনি। লাইচৎ অদুগা মরী লৈনবা খূদক্কী ওইবা রেস্পোন্স অমা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ানা লৈবাক অসিদা পুথোকপা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ৮,০০০ দোনেট তৌগনি অমসুং য়ুরোপতগী হেক থুংলবগা দোজ মিল্লিয়ন অমা ফংহনগনি।

য়ুরোপ্তা ভেক্সিন কোন্নদবগী প্রোব্লেম লৈরে হায়রদুনা ইটালিনা হায়জবদগী য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা থা অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াদা থাগদবা অষ্টাজেনেকাগী ভেক্সিন দোজ ২৫০,০০০ থিংজিনখ্রবা মতুংদা কনবেরানা হায়জরিবা ৱাফম অদুনা লৈবাক অসিদা ব্লোক অসিগী মরক্তা উংখৎনবা লাকহনবা য়াই। মদু হৌখিবা জন্যুৱারীগী অথেংবা শরুক্তা ঈ য়ুনা ভেক্সিন থাদোক-থাজিনগী মেকানিজম অমা পুথোকখিবদগী ভেক্সিন সপ্লায়গী হায়জরকখিবা অমা য়াখিদবা অহানবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পি এন জিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৮২ রোকোর্দ তৌখি। তৌইগুম্বসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী চিফ হেল্থ ওফিসরনা থাঙ্গৈশেংবা ইনফেক্সন মশিংদি মদুদগী য়াম্না হেল্লমগনি হায়খি। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক হৌখিবদগী পি এন জিদা কেস ২০০০ দমক ওফিসল ওইনা রেকোর্দ তৌখি। পি এন জিগী প্রাইম মিনিষ্টর জেমস মারাপেনা কোভিদ-১৯গী ফিভম লুশিল্লক্লে হায়রদুনা মীয়ামদা য়াম্না তঙায় ফন্দবগী নৎত্রবদি লম চথোক-চৎশিন তৌদনবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা আপীল তৌখি।

ইনাক খুনবা লৈবাকশিংনা কোভিদনা শিহনবগী চাং হন্থরে

সিদনি, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

য়ুরোপ অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোভিদ-১৯গী অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেবকী মরক্তা মী শিবগী চাং মখা তানা হন্থরক্লি হায়না জেইন্ট ওষ্ট্রেলিয়ন-চাইনিজ ষ্টদি অমনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টদি অদুগী মতুং ইন্না, কোভিদ-১৯ পেসিএন্টশিং শিবগী চাং নেল্লিবদু মফম খূদিংদা মান্নবা হেল্থ সিষ্টেমগী খুদোংচাবা ফংবা অমসুং সোসলাইজ হেন্না তৌবা লৈবাকশিংদনি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসিগা চান্নদবা জর্মনি অমসুং স্বিদেনগুম্বা লৈবাক খরসু লৈরি। শিবগী চাং শরুক ১৬ ফাওবা হন্থহনবা ঙমখিবা নেদরলেন্দসকুম্বা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা লৈবাক অনী অসিদদি শিবগী চাং হন্থবগী চাং য়াম্না নেমখি।

ষ্টদি অদুগী ওথরশিংগী মতুং ইন্না, খেন্নবা লৈরিবদুগী মরু ওইবা মরমশিংদি অহানবা ৱেভতা শিখিবশিংদু অয়াম্বনা অহল ওইরবশিংদা থোকখিবা অমসুং অনীশুবা ৱেভ অদুনা নহা ওইরিবশিংদসু শোক্লকখিবা অসিনি। লোয়ননা অহানবা ৱেবকী কেস মশিং অদু য়ুরোপ্তা থাঙ্গৈশেংবা মশিংদগী য়াম্না হন্থখি হায়না লৌনখি।

খুদম ওইনা বেলারসতা কোভিদ-১৯ পেসিএন্ট শিবগী চাং অনীশুবা ৱেভ মনুংদা থাঙ্গৈশেংনা হেনগৎলকখিবা ওইরবসু য়ুক্রেন অমসুং মোল্ডোভাদা কুমজা ২০২০গী নভেম্বর লোইবা ফাওবদা অহানবা ৱেভ লৈখি। বেলারসনা শিবগী চাং হেনগৎলকখিবা য়ুরোপকী অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক ওইখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অর্কান্সাস অমসুং টেন্নেসীদসু পেসেন্টশিং শিবা হেনগৎলকপদা উখি।

চৈরকসিদা অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেভশিংগী মরক্তা নেদরলেন্দস, বেলজিয়ম, ফ্রান্স অমসুং দেনমার্কতা শিবগী চাং শরুক ১০দগী হেন্না হন্থরকপা উখি। টিম অসিনা মখোয়গী দেটা অদু রিপোর্ট তৌখিবা মীশিশিংখক্তা য়ূম্ফম ওই হায়রদুনা অশেংবা মশিংদি খেন্নবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

বৃটেননা ফোরেন পোলিসি হোংদুনা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ মশিং হেনগৎহল্লগনি

লণ্ডন, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

বৃটেননা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় মশিং হন্থহন্নবা হোৎনবা হায়বা মমাঙগী পোলিসিদা অহোংবা লাকহন্দুনা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ মশিং ২৬০তা হেনগৎহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

বৃটেননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা 'গ্লোবেল বৃটেন ইন এ কম্পিটিটিভ এজ' কৌবা লামায় ১১৪ পানবা সিক্যুরিটি, দিফেন্স, দিভলপমেন্ট অসুং ফোরেন পোলিসিগী ইন্টিগ্রেটেদ রিভিয়ু ফোঙখিবগা ইরোয়ননা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

কুমজা ২০১০দা বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ মশিং কুমজা ২০২০ পরিংগী ময়ায় থংবা শরুক্তা ফাওবদা ২২৫দগী হেলহন্দবগী মহুত্তা ১৮০দগী হেলহন্দবা পান্মী হায়খি। অদুম ওইনমক, ওইরক্লিবা সিক্যুরিটি ইনভাইরনমেন্ট অসি য়েংদুনা অসিগুম্বা পান্দম অসি ওইথোকহনবা য়াররোই। য়ু কেনা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ মশিং ২৬০দগী হেলহন্দনবগী পান্দম ওইনা থম্লগনি হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱেবসাইটতা ফোঙবা রিভিয়ু অদুদা পনখি।

ইন্দিপেন্দেন্ট অমসুং নন-প্রোফিট রিছার্চ ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা ন্যুক্লিয়র ইনফোর্মেসন সর্ভিসকী দিরেক্টর দেবিদ কুলেন মমাঙদা খোঙথাং অদু কনফর্ম তৌবা তারবদি কাইহৌবগী মওং ওইগনি হায়খি।

মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা কুলেননা হায়খি, য়ু কেনা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ হন্থহনবগী খোঙথাং হঞ্জিন হঞ্জিন পন্দুনা লৈবাক অসি ন্যুদিক্লয়র নন-প্রোলিফরেসন ট্রিটিগী মখাদা পাঙথোকফম থোকপা লিগেল দ্যুটিশিং মপুং ফানা পাঙথোকই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

মখোয়না ন্যুক্লিয়র খূৎলায় মশিং হন্থহন্নবা চহী কয়া লিশাং শীৎনা হোৎনরকপগী মহৈ লৈহন্দনবা তৌরবদি মদু ট্রিটি অদুগী অতৈ মেম্বর ১৯০গী মাইদা খূৎপাক্লা থাবা থোক্কনি। পোলিসি রিভিয়ু অদুনা মখা তারদুনা বৃটেননা তুং কোয়না ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈতবা মালেম অমা ওইহনবগী পান্দমদা মখা তানা থাজবা থল্লি হায়খি।

ফিলিপিন্সতা ফোরেনরশিং চঙলকপদা অথিংবা লৈরগনি

মনিলা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

ফিলিপিন্সতা ইনৌ নৌনা কোভিদ-১৯ কেসশিং ৱাংখৎলকপদগী লৈবাক অসিদা ফোরেনরশিং অমসুং লৈবাক অসিগী সিটিজন খরা চঙলকপদা মতম খরগী ওইনা অথিংবা লৈরগনি হায়না লৈবাক অসিনা লাউথোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফিলিপিন্স কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্সনা হায়খি, অথিংবা অদুগী মখাদা ফোরেন সিটিজনশিং অমসুং লৈবাক অসিদা হল্লক্লবা থৌরাং তৌরিবা মপান্দা থবক শুবা নত্তবা লৈবাক অসিগী মীওইশিং মার্চ ২০দগী এপ্রিল ১৯ ফাওবা লৈবাক অসিদা চঙবা য়ারোই।

টাস্ক ফোর্স অসিনা মরী লৈনবা এজেন্সীশিংদা মপান্দগী লাকপা পেসেঞ্জরশিংগী মশিং নোংমদা ১,৫০০দগী হেন্দনবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক, অথিংবা অদুদা ফোরেন গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিং, দিপ্লোমেটশিং অমসুং মপান্দগী হল্লক্লিবা ফিলিপিনো ৱার্করশিংদি য়াওরোই।

মসি কোভিদ-১৯ কেস ৱাংলকপা অমসুং লৈবাক অসিদা ভাইরস অসিগী ভেরিএন্টশিং য়ৌরক্লিবসি য়েংলগা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংনি হায়না প্রসিদেন্ট ওফিসকী স্পোক্সমেন হেরি রোকনা ভিদিও মেসেজ অমদা ফোঙদোরকখি।

লেবর মিনিষ্টর সেক্রেটরি সিলভেষ্টে বেলোনসু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সস্পেন্সন অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা মপান্দগী চঙলকপদা পনখে থল্লিবা অদুনা হোটেল ক্বারান্টিন ফেসিলিটিশিংগীদা নল্লিবা পোৎলুম হন্থহনবদা মতেং ওইরগনি।

তশেংনমক হায়রবদা, ফিলিপিন্সতা হোটেল কোন্নরক্ত্রে। ক্বারান্টিনগীদমক্তা ঐখোয়না টগেটে অমদি বাতাঙ্গস ফাওবা চত্তুনা হোটেল থীরি। মসি অফবা পোলিসি অমনি।

মতম শাংনা ফোরেন ত্রাভেলরশিং চঙলকপদা অথিংবা থল্লুরবা মতুংদা সাওই ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিনা ভিজা অমসুং ইগজেম্পসন লেট্টরশিং পায়বা ফোরেনরশিং চঙহনবা হৌখিবনি।

ভাইরস মেনজমেন্টকী মতাংদা পেন্নদবা হেনগৎলকপদগী এঞ্জেলা মর্কেলগী পার্টিগী পোপ্যুলরিটি হন্থরক্লে

বর্লিন, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

জর্মন চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলগী গভর্ণমেন্টনা কোরোনাভাইরসকী ক্রাইসিস কন্ট্রোল তৌবগী মওংদা পেন্নদবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মর্কেলগী পার্টিবু মীয়াম্না য়ারক্তবগী চাং চহী অমগী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্না লৈরে হায়বসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙখিবা পোল অমনা উৎখ্রে।

টর্ম মরি পায়রক্লবা মর্কেল য়াওদনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বরদা ফেদরেল ইলেক্সন মায়োক্লগদৌরিবা ক্রিষ্টিয়ন দেমোক্রেটস (সী দি য়ু) অমসুং ববারিয়ন সী এস য়ু সিষ্টর পার্টি অসি চয়োল অমদা পর্সেন্টেজ পোইন্ট ৪ হন্থদুনা চাদা ২৯দা লৈখি হায়বসি ফোর্সা পোলনা উৎখি। মদু কুমজা ২০২০গী মার্চতা জর্মনিদা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক হৌখিবদগী খ্বাইদগী নেম্বা লেভেলনি অমসুং নোংমাইজিং নুমিত্তা রিজনেল ভোট অনী পাঙথোকখিবা মতুংদা লৈরিবা মীয়াম্না য়াবগী থাক্লি।

পোল অদুদা পোইন্ট অহুম কাদুনা চাদা ২১দা লৈখিবা গ্রীন্সনা পার্সেন্টেজ পোইন্ট খ্বাইদগী য়াম্না ফংখি। অতৈ মরু ওইবা পার্টিশিংদি অহোংবা লৈখিদে। মর্কেলগী রাইট-লেফট কোলিসনদা জুনিয়র পার্টনর ওইরিবা সোসল দেমোক্রেটশিংনা চাদা ১৬তা লৈখি। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পায়খৎপদা থিন্থবদগী জর্মন কয়া খোইরাং খোয়শাওনখি। অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন দোজশিং শীজিন্নবা তোক্লবা চয়োল অসিদা ৱারেপ অমা লৌখিবদগী প্রোগ্রাম অদুদা চৈথেং হেন্না পীখি।

লোকদাওনগী অথিংবা খরা কোমথোকপদগী ইনফেক্সন অমুক হেনগৎলকখি। ভেক্সিনগী প্রোব্লেমশিংগী মথক্তা মপূং ফাবা টেষ্টিং সিষ্টেমশিং লৈত্রি।

য়ুরোপকী শেল-থুমগী ফিভম খ্বাইদগী হেন্না ফবা লৈবাক অসিদা এইদ পেমেন্টশিং থিন্থবা অমসুং কঞ্জার্ভেটিভ ব্লোক মনুংদা ফেস মাস্ক লৈবগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোকপদগী ব্লোক অসিগী মিংচৎ হেন্না থীহনখি। ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা মর্কেলনা মিনিষ্টরশিং মফম থদৎপা মথৌ তাই হায়না প্রো বিজনেস ফ্রী দেমোক্রেটকী দেপ্যুটি লীদর ৱোফগাং কুবিকিনা হায়খি।

মীখল পাঙথোককদবা থা খরদা ঙাইরবসু হেল্থ মিনিষ্টর শিন্দোল্লবদি মীয়াম্না গভর্ণমেন্টকা নৌনা থাজবা থল্লকপা য়াই হায়না কুবিকিনা আর এন দি মিদিয়াদা ফোঙদোকখি। মহাক্লা ইকনোমি মিনিষ্টর পিটর অল্টমায়রসু মফম লৌথোক্কদবনি হায়খি।